# চাইনানা লান শোক্নরিবা য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াদা য়ারিবমখৈ পুক্নিং ফাথনবা তকশিনখ্রে



রোম, মার্চ ১৫ (এজেন্সী):
লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নুমিৎ ২০ নি শুরবা হৌজিক শোক্নরিবা য়ুক্রেনগী লানদা য়ারিবমখৈ পুক্নিং ফাথনবা চাইনানা লানগী পার্টিশিং ওইরিবা য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াদা তকশিনখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রোমদা য়ুএস ওফিসিএলশিংগা লোয়নন্না পাঙথোকখিবা মীটিংদা চাইনানা আপিল অসি তৌখিবনি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইটলিগী কেপিটেল রোমদা য়ুএস নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর (এনএসএ) জেক সুলিবানগা পুং ৭ চুপ্পা ৱারী শান্নবদা চাইনাগী সেন্ট্রেল ফোরেন এফিয়ার্স কম্মিসনগী মকোক ওইবা য়াং জেচিনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

চাইনানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙবা মীটিং অদুগী সম্মরিদা জেচিনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা রিপোর্ট অমনা হায়, পার্টি খুদিংমক্না য়ারিবমখৈ পুক্নিং ফাথগদবনি, সিভিলিয়নশিংবু প্রোটেক্সন পীগদবনি অমদি অচৌবা হ্যুমেনিটরিয়ান ক্রাইসিস থোক্লক্তনবা হোৎনগদবনি।

নাকল অনীগী মরক্তা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা ৱারী শান্নবগী ৱাফম চাইনানা শৌগৎলি অমসুং ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা য়ারিবমখৈ থুনা উংখৎনবা ফিভম হন্থহন্নবা হোৎনগদবনি। অদুম ওইনমক য়াংনা কনফ্লিক্ট অসিগী পার্টি পুম্নমক্না লুনা লৌরিবা ৱাফমশিং য়েংশিনবা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা য়ুএসকী এনএসএগী মায়কৈদগী রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবগী মরমদা শাংনা খন্নবগা লোয়নন্না য়ুএস-চাইনা মরিগী ইস্যু কয়াসু পুখৎখি হায়না হ্বাইট হাউসনা স্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

য়ুনাইটেদ স্টেটস অমসুং চাইনাগী মরক্তা অয়েৎ অপন লৈহন্দনা কম্যুনিকেসন লাইন হাংবা মথৌ তাই হায়বসিদা য়াং অমসুং সুলেবানন্না য়ান্নখি। হ্বাইট হাউসকী মতুং ইন্না নিংথৌকাবা নুমিৎকী মীফম অদু কুমজা ২০২১ গী নবেম্বর ১৫ দা য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বায়দেন অমসুং চাইনাগী মহাক্কী লেঙমান্নবা সি জিনপিংগী মরক্তা পাঙথোকখিবা বার্চুয়েল সম্মিট অমগী মতুং তারকপা খোঙথাংনি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৪ দা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবা হৌখিবদগী চাইনানা মোস্কোবু কন্দম তৌদুনা লাক্লি। ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা মোস্কোগী অনিংবা অপাম্বশিং লুনা লৌফম থোকই হায়না বৈজিংনা ফোঙদোক্তুনা লাকপনি।

অমরোমদা, চাইনানা য়ুক্রেনগী সোভরেন্টিবু পুক্নিং অনী লোঙদনা শৌগৎলি হায়নসু ফোঙদোকখ্রবনি।

চৈরকসিদা য়ুএস সেক্যুরিটি ওফিসিএলশিংনা চাইনাবু রসিয়াদা খুৎলায় সপ্লাই তৌনিংবগী ইঙ্গিৎ উৎলি হায়না মরাল শিখ্রে।

রসিয়ানা লান্দাখিবদগী য়ুক্রেনদা ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা মীপায়বা পোকই হায়না ফোঙদোকখিবা লৈরবসু চাইনানা লান অসিগী মতাংদা রসিয়াবু শৌগৎতনবা মপুং ফাবা ফিরেপ অমা লৌবগী ইঙ্গিৎ উদে হায়না য়ুএস ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সিনা নোংচুপলোমগী ওফিসিএল অমা অমসুং অমেরিকান দিপ্লোমেট অমগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, মোস্কোনা হায়জখিবা মতুং ইন্না য়ুক্রেনগী মায়োক্তা চথরিবা লান অদুগা মরী লৈননা বৈজিংনা রসিয়াদা মিলিটরি অমসুং শেল থুমগী মতেং পীনিংবগী ইঙ্গিৎ উৎখ্রে হায়বসি থাজনিংঙাই ওইবা দিভলপমেন্ট খরা লৈরে। ইন্টিলিজেন্স রিপোর্ট অসিগী নোলেজ লৈবা য়ুএস ওফিসিএল খরনা হায়রি, মদুদি য়ুক্রেনগী লানগা মরী লৈননা চাইনানা রসিয়াদা মতেং পাংবা পাম্মী হায়বসি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ময়েক শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।

তৌইগুম্বসুং রোমদা পুং ৭ চুপ্পা ৱারী শান্নখিবদা প্রসিদেন্ট জো বায়দেনগী তোপ এদ অমনা চাইনাগী মহাক্কী লেঙমান্নবদা য়ুক্রেনগী লানগা মরী লৈননা রসিয়াদা মখল খুদিংগী মতেং পাঙদনবা চেকশিনৱা খঙহনখ্রে।

মিসাইলগী থৌদোক

# য়ুএস অমসুং চাইনানা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টানদা হকথেংননা ৱারী শান্নবা আপিল তৌখ্রে



ইস্লামাবাদ, মার্চ ১৫ (এজেন্সী):
থা অসিগী ৯ দা শোয়বদগী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাকিস্টানদা মিসাইল অমা কাপশিনখিবা মতুংদা য়ুএস অমসুং চাইনানা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈনরবা য়ুমথংননা লৈবা লৈবাক অনী ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টানদা উংখৎনবা হন্থনবা হকথেংনা ৱারী শান্নবা আপিল তৌখ্রে হায়না পাকিস্টানি পাউচেগী দোনগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

হন্দক্তা থোকখিবা মিসাইলগী থৌদোক অমসুং অতৈ ইস্যুশিংগী মতাংদা ৱাশিংতন্না ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টানদা হকথেংননা ৱারী শান্নবা তকশিনগদ্রা হায়না হংবদা য়ুএস দিপার্টমেন্টগী ওফিসিএল অমনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়খি, মদুদি য়ুএসনা মরু ওইবা ইস্যুশিংগী মতাংদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টানগী মরক্তা হকথেংননা ৱারী শান্নবগী ৱাফম মখা তানা শৌগৎলি।

দোনগী রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়, থৌদোক অদুগী মতাংদা জোইন্ট প্রোব অমা পাঙথোকফম থোকই হায়বা পাকিস্টানগী দিমান্দবু নিংথৌকাবা নুমিৎতা চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স পার্সন অমনসু শৌগৎখি অমদি ইস্যু খুদিংমক্কী মতাংদা য়ুমথংনরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা হকথেংননা ৱারী শান্নবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

বৈজিংদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন জাও লিজিয়েন্না পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না মরী লৈনবা লৈবাকশিংদা য়ারিবমখৈ থুনা হকথেংননা ৱারী শান্নবা অমদি পাউ ফাওননবা লোয়নন্না থৌদোক অসিগী মতাংদা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথবা হৌনবা আপিল তৌরি।

মহাক্না ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টানদা ইনফোর্মেসন সিয়ারিংগী থবক কনখৎনবা অমসুং অসিগুম্বা থৌদোকশিং মতুংদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা অমদি মিস কালকুলেসন থিংনবা মতম চানা নোটিফিকেসন মেকানিজম অমা লিংনবসু তকশিনখি।

চাইনিজ ওফিসিএল অসিনা হায়, পাকিস্টান অমসুং চাইনা অসি রিজনেল সেক্যুরিটি অমসুং স্টেবিলিটি লৈহনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা সাউথ এসিয়াগী মরু ওইবা লৈবাকশিংনি। মিসাইলগী থৌদোক অদুগী মতাংদা ন্যু দিল্লিগী মতাংদা পীরিবা ইচম চম্বা এক্সপ্লেনেসন পেন্নিংঙাই ওইদে হায়না ফোঙদোক্লদুনা পাকিস্টান্না থৌদোক অদুগী মতাংদা লৈরিবা অচুম্বা মরমশিং খঙদোক্লবা জোইন্ট প্রোব অমা পাঙথোক্লবা দিমান্দ তৌখিবনি।

# য়ুএস মিলিটরিনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা অতোপ্পা স্পাই প্লেন অমসু পাইহনখ্রে



সিওল, মার্চ ১৫ (এজেন্সী):
য়ুএস মিলিটরিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী নোংথক্তা অতোপ্পা স্পাই প্লেন অমসু পায়হনখ্রে।

পিওংয়াংনা লোং-রেঞ্জ রোকেট চাংয়েং অমা পাঙথোরকপা য়াবগী ফিভম লৈবদগী সিওল অমসুং ৱাশিংতন্না মীকুপ নাহুমশিংনা লৈরিঙৈ মরক্তা য়ুএস মিলিটরিনা মরু ওইবা এয়রক্রাফ্ট অদু পেনিন্সুলা অদুদা থাদুনা ইন্টিলিজেন্স কলেক্সনগী থবক পাঙথোকহনখিবনি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিনা ফ্লাইট রাদর ২৪ পল্লদুনা হায়, জপানদা বেজ তৌবা আরসি-১৩৫এস কোব্রা বোল্ট স্পাই এয়র ক্রাফ্ট অদুনা পেনিন্সুলা অদুগী অকোয়বদা সোর্টি অমা পাঙথোকখি।

নোর্থ কোরিয়াগী মিলিটরি এক্তিভিটিশিং মোনিটর তৌনবা য়ুএসনা আরসি-১৩৫ভি রিভেট জোইন্ট রিকোনিসন্স প্লেন অমা সিওলদা থাখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা স্পাই এয়র ক্রাফ্ট অদু থাখিবনি।

খোঙথাং অসি নোর্থনা ইন্টর কন্টিনেন্টেল বালিষ্টিক মিসাইল (আইসিবিএম) অমা টেষ্ট-লোঞ্চ তৌনবা শেম শারি হায়বা রিপোর্ট খরগী মরক্তা খোঙথাং অসি লাকপনি।

অমরোমদা, নোর্থ কোরিয়ানা মরী লৈনবা সিষ্টেমশিং পরিং নাইনা মমাঙদসু চাংয়েং পাঙথোকখ্রবনি। সাউথ কোরিয়াগী জোইন্ট চীফ ওফ ষ্টাফকী ওফিসিএল অমনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি নোর্থ কোরিয়াগী এক্তিভিটিশিং ঐখোয়না চেকশিন্না মোনিটর তৌরি। নোর্থ কোরিয়াগী এক্তিভিটিশিং অসিগা মরী লৈননা সিওলনা মশা ঙাকথোকচনবগী খোঙফম হেন্না চেৎশিন্নবা হোৎনরি। নোর্থ কোরিয়ানা মিসাইল টেষ্টশিং পাঙথোকখিবা সুনান এয়রফিল্ড অমসুং অতৈ সাইদ খরা য়ুএস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা য়েংশিন্দুনা লাক্লি। মার্চ ১১ দা সিওল অমসুং ৱাশিংতন্না পিওংয়াংবু মপুং ফাবা রেঞ্জকী লোঞ্চ অমা পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৭ অমসুং মার্চ ৫ দা অনৌবা আইসিবিএম সিষ্টেম অমমম টেষ্ট তৌখি হায়না মরাল শিখি। চাংয়েং অনী অদু রিকনিসন্স সেটলাইট অমা দিভলপ তৌনবা হোৎনবগী শরুক অমনি হায়বা নোর্থকী ক্লেম সিওল অমসুং ৱাশিংতন্না রিজেক্ট তৌখিবনি।

# কিদনেপ তৌখিবা মেয়র লুহান্সতা পুখ্রে: য়ুক্রেন মিলিটরি



কিভ, মার্চ ১৫ (এজেন্সী):
মার্চ ১১ দা রসিয়ন ফোর্সশিংনা ফাখিবা মেলিটুপোলগী মেয়র ইভান ফেদোরোভ সেপরেটিষ্ট লুহান্স রিজনদা পুখ্রে হায়না য়ুক্রেনগী মিলিটরি ওথোরিটিশিংনা ক্লেম তৌখ্রে।

জাপোরিসজিয়া রিজনগী মিলিটরি এদমিনিষ্ট্রেসন্না পীবা খ্বাইদগী নৌবা অপদেটকী মতুং ইন্না ফেদোরোব হৌজিক লুহান্সতা লৈরে। মফম অসিদা মহাকপু টেরোরিজম শৌগৎপগী ইভিদেন্স কয়া ফঙলে হায়না মরাল শীরি হায়না য়ুক্রায়িন্সকা প্রাবদাগী রিপোর্টনা হায়রি।

এদমিনিষ্ট্রেসন্না মখা তানা হায়খি, মদুদি ফেদোরোবপু থাদোক্লবা দিমান্দ তৌরদুনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা বর্দিয়ান্সতা চথখিবা প্রোটেষ্ট রেল্লি অমা রসিয়ন ফোর্সশিংনা অয়েৎ অপন পীখি।

খুৎলায় পায়বা রসিয়ান ট্রুপশিংনা স্কৱার অদুবু কোয়শিন্দুনা থম্বগা লোয়নন্না মীয়াম্বু মফম অদুদগী তাম্থোকখি।

রসিয়ন ট্রুপশিংনা মখোয়গী এক্সনশিংদু চথখিবা মতমদা লাউদ স্পিকরশিং শীজিন্নদুনা রেল্লিশিং পাঙথোকপদা অথিংবা লৈ হায়না ৱার্নিং তৌখিবনি। রেল্লি অদুদা শরুক য়ারিবশিংনা য়ুক্রেনিয়ন অমসুং রসিয়ন লোন অনীমক্তা 'মেলিটোপোল অসি য়ুক্রেননি' অমসুং 'নখোয় হিংলিঙৌদা নয়ুমদা হল্লো' হায়বা স্লোগানশিং লাউখি।

প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখিবদা টোর্চর তৌদুনা মেলি টোপোলগী মেয়রবু রসিয়ন ওথোরিটিশিংবু মহাক্না শৌগৎলি হায়বসি উৎপা ভিদিও অমা রেকোর্দ তৌহন্নবা হোৎনখি হায়খিবনি। ফেব্রুৱারী ২৪ দা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবা হৌখিবদগী মী ফাবগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে।

মার্চ ১০ দা রসিয়ন ফোর্সশিংনা মেলিটুপোলদা জাপোরিসসিয়া রিজনেল কাউন্সিলগী দিপ্যুটি অমা ওইরিবা লেলা ইব্রাগিমোভা ফাখি।

য়ুক্রায়িন্সকা প্রাবদাগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না মহাক কোন্না থাদোকখি। মার্চ ১২ দা সিটি অসিদা প্রোটেষ্ট অমা পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা এক্তিভিষ্ট ওলগা হাইসুমোভাবু কিদনেপ তৌখি।

চৈরকসিদা, রসিয়ন ট্রুপশিংনা কিদনেপ তৌখিবনি হায়বা দনিপ্রোরুদনেগী মেয়র য়েভহেন মাটভেয়েব অমসুং মেলিটুপোল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মকোক সেরহি প্রিমা করি ফিভমদা লৈরিবগে হায়বসি খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

চৈরকসিদা, য়ুক্রেনগী খেরসন রিজন অপুম্বা রসিয়ন ট্রুপশিংনা কন্ট্রোল তৌরে হায়না রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী টোপ ওফিসিয়েল অমনা ক্লেম তৌখ্রে।

মার্চ ৩ দা টেরিটোরি অদুগী কেপিটেল সিটি পায়শিনখ্রবা মতুংদা রসিয়ন ট্রুপশিংনা লমদম অপুম্বদা কন্ট্রোল তৌরে হায়না রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী টোপ ওফিসিএল অসিনা ক্লেম তৌখিবনি।

# নোংমদা মীচম ৪০০০ হেন্না হোন্দোকপা ঙম্লে: য়ুক্রেন দিপ্যুটি পিএম



কিভ, মার্চ ১৫ (এজেন্সী):
হৌখিবা পুং ২৪ গী মতমদা হ্যুমেনিটরিয়ান কোরিদোরশিং শীজিন্নদুনা লান নঙলবা মফমশিংদা পন্দুনা লৈরিবা মীওই ৪০০০ হেন্না মায় পাক্না হোন্দোকখি হায়না য়ুক্রেনগী দিপুটি প্রাইম মিনিষ্টর ইরিনা ভেরেসচুক্না ফোঙদোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা ভিদিও এদ্রেস অমদা ভেরেসচুক্না হায়খি, মদুদি কোরিদোর তরাগী মনুংদা তরেৎ নিংথৌকাবা নুমিত্তা শীজিন্নবা য়াখি।

দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অসিগী মতুং ইন্না কিভ রিজনগী হোষ্টোমেল, নেমিসায়েভো, ভোজেল, দিমিট্রিভকা, পেরেমোহিদগী মীওই ২০২৮ হোন্দোকখি। অতৈ মীওই ১৭৮০ না সেপরেটিষ্ট লুহান্স রিজনগী সেভেরোদোনিষ্ট, পোপাস্না, হৈস্কে, রুবিসনে, ক্রেমিনা অমসুং লিসিচাঙ্কসতগী হোন্দোকখি। অদুম ওইনমক রসিয়ন ফোর্সশিংনা কিভকী ব্রোভরি দিষ্ট্রিক্তা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট থুগায়বদগী মীচমশিং হোন্দোকপদা শীজিন্নরিবা বসশিং বোদানিবকা, নোভা বোদানিবকা অমসুং বোব্রিক ভিলেজশিং ফাওদুনা চৎপা ঙমখিদে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সিজ ফায়র চৎনরবসু রসিয়ন ফোর্সশিংনা লুহান্সকী উপাস্না অমসুং রুভিস্নে টাউনশিংদা খুৎলায় শীজিন্নরকপদগী কোরিদোরশিংদা ফাওবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোকখি।

রসিয়ন ফোর্সশিংনা ষ্ট্রেটেজিক পোর্ট সিটি মরিওপোলদা মখা তানা এটেক্ট চথখিবদগী নিংথৌকাবা নুমিত্তা পোর্ট সিটি অসিগী ফিভম লুনা লৈখি।

মহাক্না হায়, লাঙ্গৌই চল্লবা সিটি অসিদগী কিলোমিটর ৬০ লাপ্পা লৈবা বর্দিয়ন্সতা চান থক্লবা পোৎলমশিং, হিদাক লাংথক অমসুং ঈশিংনচিংবা হ্যুমেনিটরিয়ান মতেংগী কনভোই অমা থিংজিন্দুনা থমখি।

রসিয়ানা কিদনেপ তৌখিবনি হায়বা য়ুক্রেনিয়ন নেসনেল অহুমগী মরমদা পাউ অমত্তা ফঙদে হায়নসু দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মেলিটুপোলগী মেয়র ইবান ফেবোরোফ অমসুং দনিপ্রোরুদনেগী মেয়র (য়েবহেন মেটভেয়েব) মার্চ ১৩ দা কিদনেপ তৌখিবনি। য়ুক্রেনগী ষ্টেট ইমর্জেন্সি সার্ভিসকী এমপ্লোয়ি অমা ওইরিবা ওলেক্সি দানচেনকোবুনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা ফাজিন্দুনা থম্লক্লি।

# য়ুকে গভর্নমেন্টনা ইন্টরনেসনেল ট্রাভেলগা মরী লৈনবা কোভিদকী অথিংবা পুম্নমক লৌথোক্লগনি



লন্দন, মার্চ ১৫ (এজেন্সী):
য়ুকে গভর্নমেন্টনা হৌজিক মখা তানা চৎনহল্লিবা ইন্টরনেসনেল ট্রাভেলগা মরী লৈনবা কোভিদকী অথিংবা পুম্নমক পেসেঞ্জর খুদিংমক্কী ওইনা ইরাই নুমিৎতগী লৌথোক্লগনি হায়না ট্রান্সপোর্ট সেক্রেটরি গ্রান্ট সাফসনা লাউথোকখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ৪ দগী হৌরগা য়ুকেদা থুংলবা মতমদা শীজিন্নগদবা পেসেঞ্জর লোকেটর ফোর্ম, ভেক্সিন কাপ্তবা পেসেঞ্জরশিংদা তৌহল্লম্বা টেষ্ট পুম্নমক য়াওনা কোভিদ ১৯ গা মরী লৈনবা লম চৎথোক চৎশিনগী অথিংবা পুম্নমক লৌথোক্লগনি।

মরম অদুনা লম কোয়বশিংনা কুমজা ২০২০ গী অঙনবা শরুক্তা কোরোনা ভাইরস পেন্দমিক হৌখিবদগী অহানবা ওইনা অথিংবা অমত্তা য়াওদনা য়ুকেদা চঙবা য়ারগনি। হৌজিক ভেক্সিন মপুং ফানা কাপ্লবা মীওইশিংগীদমক টেষ্ট তৌহন্দনা লৈবাক অসিদা চঙবা য়াহল্লিবনি।

তৌইগুম্বসুং মখোয় লৈবাক অসিদা থুংখিবা মতুং পুং ৭২ গী মনুংদা পেসেঞ্জর লোকেটর ফোর্ম অমা মেনশিনবা মথৌ তাই।

এয়রপোর্ট ওপরেটর্স এসোসিএসনগী চীফ একজিক্যুটিব কারেন দিনা ৱাফম অসিবু শৌগৎলদুনা হায়, অথিংবা লৈতনা লম কোয়বা অমুক হন্না য়াহল্লিবসি পেসেঞ্জরশিংগী ওইনা অফবা পাউনি অমসুং এভিএসন সেক্তর অসি মপুং ফানা রিকোভর তৌনবগী শিংথানিংঙাই ওইবা খোঙথাংশিং মখা তানা লৌখৎকদবনি।

হৌখিবা জনুৱারী শরুক্তগী অহানবা ওইনা য়ুকেগী লমদম মরিমক্তা কোরোনা ভাইরস ইনফেক্সন হেনগৎলকপগা ইরোয়নন্না খোঙথাং অসি লৌখৎলক্লিবনি। নেসনেল ষ্টেটিষ্টটিক্কী ওফিসনা পীবা খ্বাইদগী নৌবা ইষ্টিমেট মতুং ইন্না স্কোটলেন্দদা ইনফেক্সনগী চাং লেপ্তুনা ৱাংখৎলক্লি।

কিংস কলেজ লন্দনগী জেনেটিক ইপিদিমিওলোজিগী প্রোফেসার টিম স্পেক্টরনা ন্যুজ চেন্নেল অমদা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ ইনফেক্সনগী রেকোর্ড ওইবা লেভেল য়ৌরক্লবা মতম অসিদা গ্রান্ট সাফনা হৌজিক লায়না লাইচৎ অসিগী অথিংবা পুম্নমক লৌথোক্লগনি হায়রক্লিবসি নুঙনাংনিংঙাইনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবদা লৈবাক অসিগী কেস লোদ ১৯,৮৪৫,০১৬ ওইখি অমসুং লায়না অসিনা শিহনবা অপূনবা মশিংনা ১৬৩,৫৪৫ ওইখি।


**MANIPUR UNIVERSITY**

**ꯇꯦꯟꯗꯔ ꯅꯣꯇꯤꯁ / TENDER NOTICE**

Dated 14th March, 2022

No._MU/14-452/DR/PO/PROCEEDINGS/2019/929: Manipur University invites sealed tenders for supply of the following:
1. Zoology Deptt. - Lab. Equipments
2. Anthropology Deptt. - Lab. Equipments
3. Biotechnology Deptt. - Lab. Equipments
4. Psychology Deptt. - Lab. Equipments
5. Chemistry Deptt. - Lab. Equipments
6. Biochemistry Deptt. - Lab. Equipments
7. Sports Deptt. - Gym Equipment
8. Fine Arts Deptt. - High Power Furnance

Note : Last Date of receipt of Tender is on 22/03/22 at 2. P.M.
Terms and conditions for submitting the bids can be downloaded from the website www.manipuruniv.ac.in.

**Sd/- David K. Zote**
Purchase Officer, Manipur University, Canchipur.

HL-B/7534/16,17

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE FOR WELFARE OF OTHER BACKWARD CLASSES & SCs
SECURED OFFICE COMPLEX, AT-LINES, IMPHAL

ꯇꯦꯟꯗꯔ ꯅꯣꯇꯤꯁ / *TENDER NOTICE*
Imphal, the 14th March, 2022

**No. D/13/IPS/OBC&SC-2021/858:** As approved by the Work Advisory Board (WAB) of the Department of OBC and SC, Government of Manipur in its meeting held on 14.07.2021, Tenders in 2 (two) bids system (Technical and Financial) are invited through e-tender for supply of ***8 HP Water/Irrigation Pump Set with full accessories***. The estimated cost of the bid is Rs. 30.00 lakh.

2. Tender is to be submitted on-line through e-procurement/ tender portal https://manipurtenders.gov.in

The critical dates for the tender are as follows:

| Particular | Start Time & Date | End Time & Date |
|---|---|---|
| Publishing/downloading Tender Documents | 11.00 hrs of 15.03.2022 | 14.00 hrs of 06.04.2022 |
| Seeking Clarification | 11.00 hrs of 15.03.2022 | 14.00 hrs of 01.04.2022 |
| Submission of Bid Security Declaration & Tender Fee as Bank Draft both in original | 11.00 hrs of 15.03.2022 | 14.00 hrs of 04.04.2022 |
| Submission of on-line Tender Documents | 11.00 hrs of 15.03.2022 | 14.00 hrs of 04.04.2022 |
| Technical Bid Opening | 11.30 hrs of 05.04.2022 | |
| Price Bid Opening | 11.30 hrs of 07.04.2022 | |

3. Other details can be seen in the bidding documents.

4. Modification/Amendment/Corrigendum, if any, shall not be advertised in the newspapers, but shall be uploaded in the aforementioned website only.

5. Both the technical bid and price bid will be opened in the Directorate for Welfare of OBC & SC, 1st Floor, South Block, Secured Office Complex, A.T. Lines, Imphal.

Sd/- *Ng. Bhogendra Meitei*
Director (Welfare of OBC & SC)
Manipur

HL-B/7532/16